খুদোংথিনিংঙাই ওইবা কেমিকেলশিং লৈরম্লে

হোং কোং, দিসেম্বর ০৫ (এজেন্সি) : যাম্না চাথৎকনবা এসিদশিং যাওনা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা কেমিকেলশিং যাওবা বোট্টল দজন কয়া শগোলশেল নুমিত্তা হোং কোংগী পার্ক অমদা লৈরমবা থেংনখিবগা লোয়ননা সিটি অসিগী পুলিসনা পোৎশকশিং অদু মফম অদুদা এন্টি-গবর্ণমেন্ট প্রোটেষ্টরশিংনা থমজিল্লম্বা হায়বদু খঙদোক্লবগীদমক্তা থিজিনবা হৌখ্রে হায়রি। সলফ্যুরিক অমসুং নাইট্রিক এসিদকুম্বা কেমিকেলশিং যাওবা বোট্টলশিং অদু সিং মুন কন্ত্রি পার্কতা লৈরম্বা থেংনবদগী ইর্মজেন্সি পর্সনেলশিং কৌখিবনি হায়রি।

খুৎলায় পুবা ইরানগী জহাজ ফাজিনখ্রে

অদেন, দিসেম্বর ০৫ (এজেন্সি) : য়েমেনগী সমুদ্র খোংবান মনাক নক্লা অরাবিয়ান সীদা মিসাইল কম্পোনেন্টশিং পুরম্বা ইরানগী জহাজ অমা ফারে হায়বসি শগোলশেল নুমিত্তা য়েমেনগী প্রো-গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা কনফার্ম তৌখ্রে হায়রি।

য়ু এস মিলিটরিনা নোর্থ ইষ্ট সিরিয়াদগী ট্রুপ লৌথোকপা লোইরে : য়ু এস দিফেন্স সেক্রেটরি

ৱাশিংটন, দিসেম্বর ০৫ (এজেন্সি) : সিরিয়াগী অৱাং নোংপোক লমদমদগী য়ু এস ট্রুপশিং লৌথোকপগী থবক মপুং ফানা লৌইদুনা লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিংদা য়ু এস ট্রুপ ৬০০ লোম শীন্দোক-শীঞ্জিন তৌদুনা মফম চানা লৈহনখ্রে হায়না য়ু এস দিফেন্স সেক্রেটরি মার্ক ইস্পরনা ফোঙদোকখ্রে।

মার্ক ইস্পরনা ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অসিনা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা হৌখিবা ওক্তোবরদা খঙহৌদনা লমদম অদুদগী য়ু এস ট্রুপশিং লৌথোক্লবা ওর্দর পীখিবা মতুংদা য়ু এস মিলিটরিগী মরমদা লৈখায় তাদবা ফিভম অমা লৈরকখিবদু কোকহল্লগনি হায়না থাজনরি। দোনাল্ড ট্রম্পনা লমদম অদুদগী য়ু এস ট্রুপশিং হন্দোকহনবা হৌখিবদগী সিরিয়াদা লৈরিবা ট্রুপ লেভেল অসি ১০০০ রোম ওইরম্বদগী চাদা ৪০ রোম হন্থখ্রবনি।

অমরোমদা, ইস্পরনা তঙাইফরক্তবা মতমদা ট্রুপ খরদি সিরিয়াদা চঙথোক-চঙশিন তৌবগী ফিভমদি মখা তানা লৈখিগনি হায়বা ৱাফমসু থমখি। অমেরিকান ট্রুপ মশিং ৬০০কী লেভেলদা মতুং তারকপা মতম খরা ফাওবা লৈহনবগী ফিভমদা মিলিটরিনা লেপ্লে হায়না মহাক্লা ন্যুজ এজেন্সিশিংদা ফোঙদোকখি।

লন্দনদা পাঙথোকপা নাটো সম্মিটতা শরুক য়ারুরগা হল্লকপগী ফ্লাইট মনুংদা মহাক্লা পাউমীশিংদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

করিগুম্বা য়ুরোপকী মীচং লৈবাকশিংনা সিরিয়া মিসন্দা ট্রুপ কন্ট্রিব্যুট তৌরক্লবদি লৈবাক অসিদা লৈরিবা য়ু এস ট্রুপ লেভেল মখা তানা হন্থহনবা য়াই হায়বগী ইঙ্গিৎপু ইস্পরনা পীখি।

মীচং লৈবাক ওইবা নাটো মেম্বর অমনা মী ৫০ পীগে হায়রবদি সিরিয়াদা ঐখোয়গী মী ৫০ লৌথোকপা য়াই হায়না দিফেন্স সেক্রেটরিনা পাউমীশিংদা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাইরেটশিংনা নাইজিরিয়াগী মনাক নক্লা গ্রীক টেঙ্কর অমগী ক্রু মেম্বর ১৯ কিদনেপ তৌখ্রে

এথেন্স, দিসেম্বর ০৫ (এজেন্সি) : পাইরেটশিংনা নাইজিরিয়াগী সমুদ্র খোংবান মনাক নক্লা শুংদোক্ত্রিবা থাউ পুবা গ্রীপ টেঙ্কর অমগী ক্রু মেম্বর ১৯ কিদনেপ তৌখ্রে হায়না শগোলশেল নুমিত্তা জহাজ অদুগী ওপরেটরগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

শুংদোক্ত্রিবা থাউ থন্না য়াওবা ভেসেল অদু থা অসিগী অহুমগী অথেংবদা বোনি ইথত্তগী নোটিকেল মাইল ৭৭ লাপ্পা মফম এটেক তৌখি অমসুং ইন্দিয়ন ১৮ অমসুং টর্ক অমা য়াওনা ক্রু মেম্বর ১৯ কিদনেপ তৌখি হায়না ওফিসল অসিনা ফোঙদোকখি।

অতোপ্পা ক্রু মেম্বর ৭ না ভেসেল অদুদা লৈহৌখি। এটেক অদুদা ভেসেল অদুগা লোয়ননা কার্গোদা অমাঙ-অতা অত্তা থোকখিদে হায়না ওফিসল অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

হোং কোংগী ফ্লেগ উৎপা থাউ বেরেল মিলিয়ন ২ ফাওবা পুবা ঙম্বা সুপর টেঙ্কর নাভ কোনষ্টেলেসন হায়রিবা ভেসেল অদু গ্রীক সিপ্পিং কম্পনি নাভিওস টেঙ্করসকী মেনেজমেন্টনা ওপরেট তৌবনি। ক্রু মেম্বর ১৯ অদু অশোয় অঙাম য়াওদনা ময়ুম-ময়ুমদা হনবা য়ানবগীদমক্তা ঐখোয়না তঙাইফদবা খোঙথাং খুদিমক লৌখৎপগা লোয়ননা মখোয়গী ইমুং-মনুংশিংদসু পাউ পীখ্রে হায়না নাভিওসকী ওফিসল অদুনা ফোঙদোকখি। হৌখিবা থা খরা অসিদা ৱেষ্ট অফিক্রা ফাওরগা চৎপদা খুদোংথিবা নংবা য়াই হায়না ভেসেল ওপরেটরশিংদা ৱার্নিং তৌখিবনি।

য়ুক্রেননা দোনবাস রিজনগী শরুক খরা ৱাল চল্লগনি হায়না কিহনখ্রে

লন্দন, দিসেম্বর ০৫ (এজেন্সি) : মথংগী চয়োলদা পেরিসতা পাঙথোক্কদবা সম্মিট অমদা রসিয়ানা সীজফায়র অমা চৎনহনবগী ৱাফম অমদি প্রিজনরশিং থাদোক্লবগী থৌরাং য়াদবা তারবদি য়ুক্রেন্না ওক্যুপাইদ টেরিটরিশিং অমসুং লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিংগী মরক্তা ৱাল তৌশিল্লগনি হায়না শগোলশেল নুমিত্তা য়ুক্রেনগী টোপ প্রসিদেন্সিএল এইদ অমনা ফোঙদোকখ্রে।

করিগুম্বা রসিয়ানা দিল অমা পুরকপগী ৱাফমদা য়াদবা তারবদি ঐখোয়না ওক্যুপাইদ টেরিটরিজগা লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংগা শম্নহন্দনবগীদমক্তা ৱাল অমা শেমগৎ-শাগৎলগনি হায়না এন্দ্রি য়ার্মাকনা লন্দন্দা ফোরম অমদা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা অসিগুম্বা ফিভম অসি লাকপা মতমদা য়ুক্রেনিয়নশিংনা কনফ্লিক্ট মরক্তা মখা তানা হিংবগী মওংদি লৈখিগনি হায়বা ৱাফমসু থমখি। ইষ্টর্ন য়ুক্রেন্দা রসিয়ানা শৌগৎপা ফোর্সশিং অমসুং য়ুক্রেনিয়ন ট্রুপশিংগী মরক্তা শোক্লরিবা লান লোইশিন্নবা হোৎনরদুনা চহী অহুম হেনবগী মনুংদা অহানবা ওইবা য়ুক্রেন, রসিয়া, ফ্রান্স অমসুং জর্মনিগী লিদরশিংনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মীফম পাঙথোক্কদৌরিবনি। কন্ফ্লিক্ট অদুদা হৌজিক ফাওবদা মীওই ১৩,০০০ হেনবগী পুন্সি লোমখ্রবনি।

কুমজা ২০১৫ গী ফেব্রুৱারিদা মিনস্কতা সীজফায়র এগ্রীমেন্ট অমা খুৎয়েক পীনখিবা লৈদুনসু হৌজিক ফাওবদা মরা তপ্পা সোল্যুসন অমা লাকপা য়াবগী ইঙ্গিৎ উবা ফংদ্রি হায়বা য়াই।

য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জলেন্সকি কনফ্লিক্ট অদু শোয়দনা লেপহনগনি হায়বগী ৱাশক অমগা লোয়ননা হৌখিবা এপ্রিলগী মীখলদা চাওনা মায় পাকপা ঙমখিবনি। তৌইগুম্বসুং হৌজিক ওপোজিসনগী মায়কৈদগী প্রেসর কন্না পীরকপদগী মহাক মোস্কোনা হায়রিমখৈ য়াদনবগী অচেৎপা ফিরেপ অমা লৌবা তারি।

হিরোয় ১না সিভিলিয়ন ইমপ্লোয়ী ২ হাৎখ্রে, মশাদসু কাপশিঞ্জখ্রে

হোনোলুলু, দিসেম্বর ০৫ (এজেন্সি) : য়ু এসকী হৱাইয়ি ষ্টেটকী পর্ল হার্বর নেভেল সিপয়ার্দতা হিরোয় অমনা সিভিলিয়ন ইমপ্লোয়ী অহুমদা নোংমৈ কাপ্পদা য়ামদ্রবদা মীওই অনী শিখিবগা লোয়ননা মহাকসু মথন্তা কাপশিঞ্জদুনা শিজখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু লোস এজেলিস-ক্লাস এটেক সবমেরিন অমা ওইরিবা য়ু এস এস কলম্বীয়াগী মনাক্তা থোকখিবনি। নোংমৈ কাপ্লিবা মীওই অদু সবমেরিন অদুদা এটেচ তৌবা এক্তিভ-দ্যুটিদা লৈরিবা য়ু এস নেভিগী পেটি ওফিসর অমনি হায়না নেভিগী ওফিসর অমনা ফোঙদোকখি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈনবা প্রিলিমিনরি রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না গনমেন অদুনা সিভিলিয়ন অহুমদা নোংমৈ কাপ্পদা মখোয় অহুমগী মনুংদা অনী শিখিবগা লোয়ননা মশামকসু মকোক্তা নোংমৈ কাপশিন্দুনা শিজখি।

নেভেল ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেটিভ সর্ভিস (এন সী আই এস) থৌদোক থোকফমদা লাকখিবগা লোয়ননা এফ বি আইদসু পাউ পীখি হায়না রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

ওফিসলশিংনা খুদক্কী ওইনা নোংমৈ কাপ্লিবা মীওই নৎত্রগা ভিক্তিমশিং অদু আইন্টেটিফাইদ তৌখিদে। থৌদোক অদু দ্রাইদোক ২ দা লোকেল মতমদা নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তাবা মতমদা থোকখিবনি হায়না সোর্সশিংনা ফোঙদোকখি।

মখোয়না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, থৌদোক থোকফমদা ফার্ষ্ট রেস্পোন্দরশিং চঙশিন্নখিবগা লোয়ননা জোইন্ট বেজ পর্ল হার্বর-হিক্কমগী গেটশিং থিংজিনখি।

ওথোরিটিশিংগী মতুং ইন্না, থৌদোক অদুগী মতাংদা য়ামদ্রবদা উহৌবা মীওই ১০০ রোম ইন্টরভিয়ু তৌখি।

অফঘানিষ্টান্দা পোলিটিকেল সোল্যুসন পুরকপা তঙাইফদে

লন্দন, দিসেম্বর ০৫ (এজেন্সি) : নাটোগী সেক্রেটরি-জেনরেল জেন্স ষ্টোল্টনবর্গনা অফঘান সিক্যুরিটি ফোর্সশিং ব্লোক অসিনা ট্রেনিং অমদি পাউতাক পীদুনা মখা তানা সর্পোট তৌখিগনি হায়না নৌহৌননা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অফঘানিষ্টান্দা তুং কোইনা মরা তপ্পা ফিভম লৈহন্নবগীদমক্তা লৈবাক অসিগী হৌজিক্কী ৱাথোক অসি মরী লৈনবশিংনা ৱারী শান্নদুনা পোলিটিকেল সোল্যুসন অমা পুরকপনা খ্বাইদগী ফবা লম্বী ওইগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খ্রে।

টালিবানবু লানবুংদা মখোয়না কৈদৌঙৈদসু মায় পাকপা ঙম্লোই হায়বসি খঙহন্নবগীদমক্তা নাটোনা লৈবাক অসিদা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা হোৎনরিবশিং শৌগৎপদা অফঘান সিক্যুরিটি ফোর্সশিংবু ট্রেনিং পীবা, মতেং পাংবা অমসুং পাউতাক পীবা হায়বসিনা খ্বাইদগী ফবা পাম্বৈনি হায়না ঐখোয়না চেৎনা থাজৈ অমসুং অসুম্না ঐখোয়না মখা তানা অফঘানিষ্টানবু সপোর্ট তৌখিগনি হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা লন্দন্দা ষ্টোল্টনবর্গনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা তোলো ন্যুজকী রিপোর্টনা হায়খি।

অফঘান পিছ টোক মখা চথবা হৌনবা লাংখৎলক্লিবশিং অসি নাটোনা তরাম্না ওকই হায়না পনবগা লোয়ননা মহাক্লা হায়খি মদুদি, সিক্যুরিটি ব্লোক অসিনা অফঘানিষ্টানগী ৱাথোক্কী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা ৱারী শান্নবগী ৱাফম অসি শৌগৎলি। অফঘানিষ্টান্দা ৱারী শানদুনা পোলিটিকেল সোল্যুসন পুরকপনা লৈবাক অসিগী ৱাথোক লোইশিন্নবগী খ্বাইদগী ফবা পাম্বৈ ওইগনি।

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

Ref :- Mut. Case No. 1632/SDC/NBL of 2019

Thiyam Basanta Singh S/o Th. Ningthempishak Singh of Thiyam Makha -*Petitioner*

-Vrs-

(L) Thiyam Bira Singh S/o (L) Bharot Singh of Thiyam. -*Pattadar*

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Dt. 5/12/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 15 - Thiyam Patta No. 51 (Old), 165 (New), Dag No. 454, Area 0.26 acre of Ingkhol Class হায়রিবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা ইঙ্খোল নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্নুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

Sd/- S. Dhiren Singh
Sub-Deputy Collector, Nambol

HL-P/5438/6

[illegible]/খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বদা কুইনা শংলবা মতুংদা হামেং মথিগুম্না খজিক্তং হাম্বা, অমাংথোঙগী অকোয়বদু পোমথোকপা, অমাংথোঙ মপানগী অকোয়বদুদা ফুরি মকুপ মকুপ শৌরগা নাই চারকপা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু য়াম্না হাকৎচবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা মতম কুইনা নাদুনা খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বা য়ানবা হোৎনবদা হকচাংদা অৱাবা অমা ওইবা, খোঙ হাম্বা য়াদবনা মরম ওইদুনা পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুক কংখৎপা অদুগা পুকচেপ নাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা অদুনা কোক চিকপা, ঙকশম মরী নাবা, য়াংলেন শরূদা চিকপা-নাবা, খ্বাং নাবা, খোঙ হাম্বা য়ানবা হীদাক চারগা খোঙ শেংনা হামদোকখিবা তারগদি হকচাংদা চিক-নারম্বশিং অদু লোইনা ফখিবা, খোঙ হাম্বা য়াদ্রগনা অমুক হৌরকপা, খোঙ হাম্লগসু কুইনা শংলবা মতুংদা হামেং মথিগুম্না খজিক্তং হাম্বা, য়ারোমদা য়াম্না তোয়না খেগৎলকপা, খৌনাওদা ইথন্তা থনগৎলগা লৈবগুম তৌবা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু পোমথোরকপা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদুদা ফুরি মকুপ মকুপ শৌরগা নাই চারকপা, অমাংথোঙ অকোয়বদু য়াম্না হাকৎচবা, হাকৎচবা অদু খোৎলুরগনা অমাংথোঙ মপানগী অকোয়বদু চাথৎপা, ফম্বী শোনবা, অমদি ফম্বী থুনা থুনা চৎপা তৌরম্বা অদু ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ ফংলবা ওজা জিয়া উল হক ফুসম ☎ **9774274439, 8414825323** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-P/5344/06 *থাগৎচরিবা :* **N. Naresh Meitei,** Awang Sekmai

---

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG

Ref :- Mutation Case No. 597 of 2019

App:- Ningthoujam Ibopishak Singh S/o (L) Gulamjat Singh of Sharik Konjin.

-Versus-

Opp:- (Late) Ningthoujam Gambhini Devi W/o (L) Gulamjat Singh of Sharik Konjin.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Dated 4th December 2019

Under Section 86(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি ৱাইখোং তহশিলগী মনুংদা লৈবা খুন নং ৮৪ নং অরোং পাট্টা নং ১৬২/২১৬, দাগ নং ৭৯/১১৬৪, এরিয়া ১.৯০ একর চাউবা তাওথবী লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা দরখাষ্টকারিনা মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি কোর্টকী মতুংইন্না কেস মখা চত্থজগনি।

HL-P/5432/6 *Sd/-* Sub-Deputy Collector Waikhong

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG

Ref :- Mut. Case No. 957/SDC/IW -L/2019

Thoudam Chandra Singh S/o (L) Th. Nillamani Singh of Lairensajik Mamang Leikai. ...*Petitioner*

-Vs-

(Late) Thoudam Nillamani Singh S/o (L) Th. Lairenjao Singh of Lairensajik. ...OP/Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

5/12/2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি, মদুদি মৃত পাট্টাদার থৌদাম নিল্লমনি সিংহ পীতা মৃত লৈরেঞ্জাও সিংহ সাং লাইরেনশজিক্কী মীংদা লৈবা ঈ ও তহশিলগী খুল নং ৪৮ - লাইরেনশজিক্কী অনৌবা পাট্টা নং ৪৪২, দাগ নং ১১৬৬/১৪৭৭, এরিয়া ০.৩৫০০০ চাউবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপত্তি তৌবীনীংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপত্তি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

HL-P/5433/6 ***Sd/- BC to SDC/Lamsang***

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : KUMBI, MANIPUR

Ref :- Mut Case No. 797/SDC/Kumbi 5/12/2019

1. Lairenjam Jugindro Meitei S/o (L) Juba Meitei of Kangshoibi Mapal.
2. -do- Nara Singh S/o (L) -do- of -do-
3. -do- Abung Singh S/o (L) -do- of -do- ...*Petitioners*

-Vrs-

(Late) Lairenjam Juba Meitei S/o (L) L. Tombichou Meitei of Kangshoibi Mapal. - Pattadar

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Kumbi, the 5th December, 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৬৪ - কুম্বীদা লৈবা পাট্টা নং ১৬০৬ (অনৌবা), সী এস দাগ নং ২০৮৩, এরিয়া ০.৭৩গী মনুংদগী ০.৬৭ একর চাউবা ইঙ্খোল মফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসিগী মৃ: পাট্টাদারগী মচানুপা পিটিস্নর ৩দা মীং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপত্তি/ওবজেক্সন তৌনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না মখা কেস চত্থগনি। মতুংদা লাকপা আপত্তি লৌজরোই।

HL-P/5436/6 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector, Kumbi**

[illegible]/ ঈশিং চত্থোক্তবদগী হকচাং য়াম্না চাওখৎপা, খোঙ-খূৎ পোমখৎলকপা, মায়-মীৎ চাউবা, হকচাং পাঙ্গল শোন্থরকপা ফহনবগী ওজা MV. Kayamuddin বু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা মতম কুইনা দাইবেটিসনা য়াম্না কন্না নাদুনা ঈশিং চৎপা লোইরগা খ্বাং য়াম্না নাবা, ঈশিং চৎথোকখ্রগা হকচাং পাঙ্গল শোন্থরকপা, হৈনীং-শীংনীংদবা, ইপংতা পংশিনবা, পোৎ চৈ পায়বা ঙমদবা, ঈশিং মরি-মঙারক চৎপা, ঈশিং চৎথোক্তবদগী হকচাং য়াম্না চাওখৎপা, খোঙ-খূৎ পোমখৎলকপা, মায়-মীৎ চাউবা, হকচাং পাঙ্গল শোন্থরকপা, হকচাং চোকথরকপা তৌরম্বা অদু **MV. Kayamuddin Phundreimayum** ☎ **8413870027, 8837496469, 8575817720** দা মতম খরা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Kayamuddin বু মতম চুপ্পদা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইসনু হায়না পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 11.00 am. 2. Hatta Minuthong near Traffic Signal Bazar : 12.00 noon to 5.00 pm.

HL-P/5414/6 *থাগৎচরিবা :* **Jagamani Oinam,** Heingang

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

Ref :- Mut. Case No. 1623/SDC/NBL of 2019

1. Oinam Angouba Singh S/o (L) O. Chingkhei Singh of Naorem Mayai Leikai (Area 0.025 acre)
2. Oinam Loidang Devi W/o O. Rajen Singh of -do- (Area 0.025 acre)
3. Naorem Apabi Devi W/o (L) N. Ibotombi Singh of -do- (Area 0.05 acre) -*Petitioners*

-Vrs-

(Late) Heirangkhongjam (Ningol) Shakhi Devi D/o (L) Thoiba Singh of Naorem Mayai Leikai. (Area 0.09 acre) -*Pattadar*

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Dt. 5/12/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 22 - Naorem Patta No. 562 (Old), 605 (New), Dag No. 1108, Area 0.19 acre of Ingkhol Class হায়রিবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগী মথক্তা পল্লিবা শরুক অসি থমলল্লগা দংকারি নং (১), (২), (৩)না মাগী মাগী মথক্তা পল্লিবা শরুকশিং অসিদা ইঙ্খোল নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্নুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

Sd/- S. Dhiren Singh
Sub-Deputy Collector, Nambol

HL-P/5438/6

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

Ref :- Mut. Case No. 1626/SDC/NBL of 2019

1. Konjengbam Ibocha Singh S/o K. Juge Singh of Kakyai Awang Leikai (Area 0.05 acre Eastern)
2. -do- Ranjit Singh S/o -do- of -do- (Area 0.05 acre-do-)
3. -do- Biren Singh S/o (L) Shakmacha Singh of -do- (Area 0.10 acre Middle portion)
4) -do- Naba Singh S/o -do- of -do- (Area 0.10 acre -do-)
5) -do- Noyon Singh S/o -do- of -do- (Area 0.10 acre western) -*Petitioners*

-Vrs-

1. (L) Konjengbam Nilbir Singh S/o (L) Achou Singh of Kakyai Langpok (Area 0.08 acre Lambi)
2. Konjengbam Juge Singh S/o (L) Shakmacha Singh of Langpok (Area (0.40 acre) -*Pattadars*

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Dt. 5/12/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 8 - Kakyai Langpok Patta No. 98 (Old), 88 (New), Dag No. 268, Area 0.48 acre of Ingkhol Class হায়রিবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং (১) অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগী মথক্তা পল্লিবা লম্বীগী শরুক অসি খাক্লগা পাট্টাদার নং (২) গী শরুক মথক্তা পল্লিবা অসিদগী দংকারি নং (১), (২), (৩), (৪), (৫) না মাগী মাগী মথক্তা পল্লিবা মফম অমসুং শরুকশিং অসিদা ইঙ্খোল নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্নুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

Sd/- S. Dhiren Singh
Sub-Deputy Collector, Nambol

HL-P/5438/6

IN THE COURT OF ASSTT. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVT. OF MANIPUR

Ref :- Mutation Case No. 727/AS&SO/TBL Dt. 28/11/2019

1. Thokchom Heramani Singh S/o (L) Th. Angada Singh of Khangabok Bazar.
2. Th. Johnson Singh S/o -do- of -do- ...*Applicants*

-Vs-

1. (Late) Thokchom Angada Singh S/o (L) Mera Singh of Khangabok
2. (Late) Ningthoujam (N) Thokchom (O) Thoibi Devi W/o (L) Angada Singh of -do- - OPs

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Date :- 5-12-2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি থৌবাল তহশিলগী খুন নং ৩৩ - খাঙবোক্কী মনুংদা লৈবা পাট্টা নং ১৭৭২ (অরিবা), ৮৫২ (অনৌবা), দাগ নং ৪৩৬৭, এরিয়া ০.০১৪০ হেক্তর চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অনী অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা পাট্টাদার অনীগী মমিং কল্লগা মখোয়গী মচানুপা অনীগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্কদবনি নৎত্রবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থজগনি। মতুংদা লাকপা আপত্তি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

Sd/- **M. Ningthembi Singh**
HL-P/5442/6 **Asstt. Survey & Settlement Officer, Thoubal**

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

Ref :- Mut. Case No. 1624/SDC/NBL of 2019

1. Naorem Ananda Singh S/o (L) N. Maniyaima Singh of Naorem Mayai Leikai.
2. Naorem (O) Yaiphabi Devi W/o N. Ananda Singh of -do- -*Petitioners*

-Vrs-

(Late) Naorem Maniyaima Singh S/o (L) Tarpon Singh of Naorem -*Pattadar*

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Dt. 5/12/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 22 - Naorem Patta No. 1364 (New), Dag No. 1603/4057, Area 0.07 acre of Ingkhol Class হায়রিবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারি নং (১), (২) না মখোয়গী মমিংদা ইঙ্খোল নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্নুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

Sd/- S. Dhiren Singh
Sub-Deputy Collector, Nambol

HL-P/5438/6

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

Ref :- Mut. Case No. 1627/SDC/NBL of 2019

(1) Oinam Sunita Devi W/o Birababu Singh of Naorem (2) -do- Birababu Singh S/o Homendro of -do- (Ptn. 1 and 2 Area 0.45 and 0.06875) (3) -do- Kanhai Singh S/o (L) Iboton Singh of -do- (4) -do- Radhe Devi W/o Kanhai Singh of -do- (Ptn. 3 & 4 area 1.360 and 0.275) (5) -do- Inao Singh S/o O. Homendro Singh of -do- (6) -do- Kunjeshwori Devi W/o Inao Singh of -do- (Ptn. 5 & 6 area 0.45 and 0.06875) (7) -do- Chaoba Singh S/o Homendro Singh of -do- (8) -do- Laxmi Devi W/o Chaoba Singh of -do- (Ptn. 7 & 8 Area 0.45 and 0.06875) (9) -do- Homendro Singh S/o (L) Iboton Singh -do- (Area 0.45 and 0.06875) -*Petitioners*

-Vrs-

(Late) Oinam Chingkhu Singh S/o (L) Angou Singh of Naorem-*Pattadar*

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Dt. 5/12/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 22 - Naorem Patta No. 6 (Old), 70 (New), Dag No. 183, 1123, Area 2.71 acre of Phourel Class and 0.55 acre of Ingkhol Class হায়রিবা লৌফম অমসুং ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারি নং (১), (২), (৩), (৪), (৫), (৬), (৭), (৮), (৯) না মখোয় মখোয়গী মথক্তা পল্লিবা শরুকশিং অসিদা ইঙ্খোল অমসুং লৌফমশিং অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্নুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

Sd/- S. Dhiren Singh
Sub-Deputy Collector, Nambol

HL-P/5438/6